# “গুজরাট মচা পেল্লে-খারে-!”



**– এল ইবোমচা –**

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মতৌ অসিদি ইশুমাং শিত্তনা মীশুমাং শিৎপা, ইশাগী য়ূম চাক্লিবদু হান্না কন্নবা হোৎনদনা য়ূল্লোন্নবগী য়ূম চাক্লিবদু হান্না কন্নবা হোৎনবগী থৌওং অদুনি। মদুদি প্রাইম মিনষ্টরনা ইজরেল অমদি পেলেষ্টাইন, য়ুক্রেন অমদি রুসিয়াগী লান শোক্নরিবা মসিগী মথা কন্না শারি। শোক্নরিবা লানফম অসিদা অশি-অনা, অশোক-অপন নংলবশিংগীদমক থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওরি। লান অসিনা মরম ওইরগা লৈবাকশিং অসিগী মীয়াম্না চাফম-থকফম খঙদনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অসিগীদমক খল্লুবদা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওজরি। অচা-অথক্কী ওইবা মতেংসু লেপ্তুনা থারি অমদি অথুবা মতমদা লান লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউজেলকাসু থারি।

অদুবু মাগী ষ্টেট ওইবা মণিপুরদা ফোরেন্নর নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম, টোপ, নোংমৈ, মিসাইল শীজিন্নদুনা মীতৈ তুম্না হাৎনবা লান্দারকপা মতমদনা করিমত্তা খঙদ-উদবা শাদুনা থৌশাদনা লৈথোক্লি। অদুগা ঈংনা-চিক্না লৈরম্বা মণিপুরগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা কুকি টেররিষ্টশিংনা অকনবা মওংদা লান্দারকপদগী দিষ্ট্রিক্টসিগী বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনগী কেম্পসতা চঙজফম লৌরকখিবা অঙাং অহুম য়াওনা নুপী অহুম কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা নমদুনা ফারগা পুবীখি। মখোয় তরুক্কী খোঙ্গুল লীরিঙৈ চৈরক্তা মখোয় তরুক বরাক তুরেলগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখি। মসিদসু হোম মিনিষ্টর, দিফেন্স মিনিষ্টর অমদি ফোরেন মিনিষ্টরনা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরি। করিগুম্বদা লান অসিগী মতাংদা ঙাঙবা-শকপা তৌরক্লবসু ঙরাংনা অমা হায়, ঙসিনা অমা হায়, মরী-মখোঙ শম্নদবা ৱাহৈ-ৱাতা ঙাক্তা ফোঙদোক্তুনা লৈনরি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ মশানা হায়বা মণিপুরগী চীংগী এরিয়ানা ঐনা থৌদাং লৌবা, ত্পাক্লা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা থৌদাং লৌবা হায়দুনা মচিন্না থোংনা হায়দোকখ্রগা থবক ওইনদি পাঙথোক্তে। হেন্নদুম চীংদগী কুকিশিংনা মনীং মখা তম্না দ্রোনদগী বোম থাদরকই অমদি নোংমৈ, বোম, টোপ, মিসাইল মশীং খঙদনা মীতৈগী খুল-লৈকায়শিংদা কাপথরকই। মসি কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাবা নুংঙাইনবা শিনবা খুজিল থৌরাং মাল্লক্লি। অমরোমদা নরেন্দ্র মোদিনা ভোট কারিবা য়ু পিগী এম পি অমগী ভেল্যু অসি ২০৮নি অদুগা মণিপুরগী এম পি অমগী ভেল্যুনা শুপ্নগী ১৮ খক্তনি অদুনদি কৈদৌজরনি হায়গে মণিপুরগী মীয়াম্না ভোট পীরক্তুসু করিসু অকায়বা লৈতে, মীতৈ তুম্না শিখ্রগা মণিপুরসি কুকিশিংগী লৈবাক অমা ওইখিবদা অকায়বা লৈতে হায়বগী মওংদা থৌশাদবসু মাল্লক্লি।

তৌবগীসু সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লোইলম শন্দোক্লম্বা মালেমদা নুমিৎ তাদে হায়নরিবা বৃটিশকা শোক্নখিবা এঙলো মণিপুরী ৱারদা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল অমসুং পাওনা মখোয় অহুম্না উৎখিবা মথৌনা মরিংজেল অমদি মীতৈ লান্মীশিংনা থাঙ্গালদা - ইপু সাহেব মঙা ঐখোয়গী খূত্তা লৈরে করম্না তৌগে হংবদা “হাৎপদি হাৎলুনু, নখোয়না থোকপা তৌরো” হায়না পাউখুম পীরকপদা সাহেব মঙাদু মঙক কত্তুনা হাৎখিবগী ৱারী মণিপুর হিষ্ট্রিদগী খঙবদগী মীতৈ নমথনবা থৌওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হোৎনবসু মাল্লি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর পন্দিট জৱাহরলাল নেহরুনা মচানুপী ইন্দিরা গান্ধীগা পূন্না ইম্ফালদা মার্চ ৩, ১৯৫৩দা থুংলে। নুমিৎসিদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা হৱাও-তয়াম্না ওল্লগা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা কোনুংদা মথেল-লুকোইগী চাক্লেন অমা চামিন-থকমিন্নখি। মসিদা য়াম্না ঙক্লিবদি মথং নোংঙানবদা বর্ম্মাগী প্রাইম মিনিষ্টর U Nu এরোপ্লেননা ইম্ফালদা ইখঙ খঙহৌদনা থুংলবগা জৱাহরলাল নেহরুগা অরোনবা ৱারী-ৱাতাই শানরগা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা মণিপুরগী কবো তম্পাক বর্ম্মাদা পীথোকখিবা ওইরমখি। মসিগীদমক্তা মীতৈশিং হৌজিক ফাওবা নিংদোল পোম্না লৈরি হায়বা খঙবা মাল্লি অমদি লৈখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী মখাদা হোম মিনিষ্টর ওইখিবা সর্দার বল্লভভাই পটেলগী মিৎয়েংদা মতমদুগী অসামগী গভর্ণর প্রকাসকা লৌতুনরগা মণিপুর লৌশিন্নবা মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা কৌরগা ইনিংথৌ মশানা য়াদনা কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনবগী মর্জর এগ্রীমেন্ট তৌখিবদু মীতৈশিংনা খম থেংনা নিংদোন পোম্না লৈনৈ, প্রি মর্জর ষ্টেটস তাল্লি হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙবদগী মীতৈ ফুরুপ নমথনবা কুকিশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরগা লান তাহল্লকপা ওইরমগদবা মাল্লি নৎত্রবদি ফোরেন্নরশিংনি খঙলবা নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংনা ইন্দিয়াগী নাগরিক ওইরিবা য়েলহৌমী মীতৈশিংদা খম থেংবা হিংসাদা লান্দারক্লিবা অসিদা তূমিন্না অসুম য়েংদুনা খক লৈথোক্লক্লোই।

তৌবসু সেন্টরদবু বি জে পিনা লৈঙাক হেক পায়রক্লবা ইরৈবাক মণিপুরদা মীশি-মীনা য়াওবা ৱাথোক-লান্থোক হেক্তা থোকই। কুমজা ২০০১দা সেন্টরদা বি জে পিনা পানবা মতম লৈখিদ্রবা অটল বিহারিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা হাক্তক্তসু মীশি-মীনা য়াওবা জুন ১৮, ২০০১গী থৌদোক থোকখিবা লৈখ্রে। থৌদোক অদুদা মরৈবাক নীংবা মীতৈ ১৮ কেকু পাৎতা য়াতাহনখিবা লৈখি। মসিগুম্বা বি জে পি লৈঙাক্কী থৌওংসিনা ইরমদম ইরৈবাক অসিগী মীয়াম্না খম থেংনা অৱাবা খাঙদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইরবসু ইরমদম মণিপুরদনা খরা হেন্না অৱা চৈথেং নংখিবদি কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হান্না চৎনরম্বা ৫০০ চৎপী, ১০০০ চৎপীগী নোট চৎনররোই অনৌবা লুপা ২০০, ৫০০, ২০০০ চৎপী নোটশিংনা মহুৎ শিল্লগনি হায়না লাউথোরকখি। কুমজা ২০১৯দগী মালেমদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাকখিবদু মণিপুরদসু য়ৌরক্তুনা অশি-অনা নংখি। মণিপুরদা মীকপ মীরাওখোলনা নিলখি। অদুগা মে ৩, ২০২৩, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদগী হৌদুনা কুকিশিংনা ইখঙ হেক খঙহৌদনা মীতৈ ফুরুপ্তা অকনবা মওংদা লান্দারকখি। কুকিগী লান অসিদা মীওই ২৫৮ রোম শিখ্রে, মীওই ৫৫০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে, য়ূম লিশীং ৫৫০০গী মথক্তা মৈনা তুম্না চাকখ্রে, মীওই লিশীং হুম্ফুগী মথক্তা লাঞ্জেন্নদুনা মণিপুর লৈঙাক্না হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা শিবা ঙাইদুনা মপূন্সি লেন্নরি। মরম অসিনা বি জে পি অসি মণিপুরগী লৈহাওগা চান্নদবা ৱাথোক-লান্থোক য়াম্না থোকপা, মী হাৎপা, য়ূম মৈ চাকপা পার্টিনি খনবা য়ারে। অসুম্না য়াম্না ৱানা লেল্লিঙৈদা অমুক কুমজা ২০২৪ লাকপদগীদি শাথীরবা নোংলৈ-নুংশিৎনা, ঈশিং-ঈচাওনা হঞ্জিন-হঞ্জিন অনী/অহুম্লক ইরৈবাক ইরমদম অসিগী মীয়াম্বু খম থেংনা ৱাহনখি, খুদোংথীবা কয়া নংহনখি।

শাথীরবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমদি ঈশিং-ঈচাও মানা পীরম্বা অৱা চৈথেংদুগী মমি খরা তাদুনা লৈহৌরবসু মে ৩, ২০২৩গী য়ূমশকৈশগী নুমিদাংৱাইরমদা কুকিশিংনা মীতৈ ফুরুপ্তা অতম্ননা লান্দারকখিবগী অৱা-চৈথেংদুদি হেন্না হেন্নদুম মৈরী ৱাংখৎলক্তুনা মৈশা লাংবা হেনগৎলক্লি। অমরোমদা নরেন্দ্র মোদিগী অহুমশুবা টর্মগী নুমিৎ ১০০নিগী এক্সন প্লানদা মণিপুরগী লান লোইশিনবগী ৱাফম য়াওই হায়নরবসু হৌজিক ফাওবা মদুগী থবক অমত্তা উবা ফংনদ্রি।

অমবু ওইরে, অমবু ওইরে মণিপুরগা গুজরাট মচাগা মায় চানদে। মরমদি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা নমতিন তিনখিবদুসু ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর ওইখিবা গুজরাট মচা সর্দার বল্লভভাই পটেলগী মহাক থক্তনি। হৌজিক থোক্লিবা কুকি লান অসিসু গুজরাট মচা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা অদুগা গুজরাট মচা অমিট শাহনা হোম মিনিষ্টর ওইবা হাক্তক্তনি। মরম অদুনা মণিপুরগা গুজরাট মচাগা মায় চানদে ‘গুজরাট মচা পেল্লে-খারে-!” ●

# নুমিদাংদা ‘অগরটলাগী উজ্জায়ন্টা পেলেস’ য়েংলুবগী ফজবা

## (ঐখোয়গী মণিপুরগী ক্রোনিকল হিষ্ট্রি, পুয়া লাইরিক লৈবগুম্না ত্রিপুরাগী অরিবা পুয়া (রাজমালা) লাইরিক/ক্রোনিকল হিষ্ট্রি ওফ অগরটালা লৈরম্লিবদু উরুবগী নুংঙাইবা)

**- সৌবাম বিরধ্বজ -**

থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ১০.৩০ তারকপদগী ‘অগরটালা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ’ (এ জি এম সী) দা ইচানুপী য়াইমা সপনা সৌবাম পি জি তম্নবগীদমক মমিং চন্নবা ষ্টাফশিং লাকপা ঙাইনরি। মফমদুদা ইচানুপীগুম্না পি জি তম্ননবগীদমক মহৈরোয় খরসু মখোয়গী গার্দিয়ানশিংগা লোয়ননা পূন্না ঙাইমিন্নরি। পি জি পরিক্ষাগী অহানবা কাউন্সেল্লিংদা য়াওরকপদগী থা অসিগী ২৭ফাওবগী মনুংদা এদমিশন রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লকপদগী ঐখোয় অহুম পূন্না য়ূমদগী লাকমিন্নবনি। অয়ূক পুং ১০দা মফমসিদা হেক থুংবগা খ্বাইদগী অহানবদা মখোয়না লৈগদৌবা পি জি গর্লস হোষ্টেলদা থুংবগা মচিল-মনাও মখোয় অনী মনুংদা চঙদুনা রুমশিংদু য়েংলুরবনি। মথংদা ইচানুপীনা তমগদৌবা সবজেক্ট বাইও কেমিষ্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টকী রুমদা চঙদুনা উন্নরুরে, মহাক্না অফবা ওজা অমসুং মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লৈনগদৌবা মরীসিনা খ্বাইদগী লুবনি। মহাক্না অফবা মরী থম্নদবা য়াদে হায়বসি মহৈরোয়শিং লোইনমক খঙনরিবনি। কোলেজ প্রিন্সিপাল লাক্লদুনা এদমিশন প্রোসেস হৌরে (১) অগরটালা হায় কোর্টতগী ‘বোন্দ’ অমা শেল্লগা পুরক্লবা খঙহল্লকপদগী মহৈ-মহৈ হায় কোর্ট নৎত্রগা সেসন্স কোর্ট অমদগী চপ মান্নবা কোলেজ ফোর্মেটতুগী মতুংইন্না শেল্লক্কদৌবনি। মহৈরোয়শিংনা চহী ৩ তম্বগী কোর্স হেক লোইবগা মফমসিদা চহী ১ জুনিয়র রেসিদেন্ট (জি আর) ওইনা শোয়দনা লৈগনি হায়বগী সিয়ুরিটি ‘বোন্দ’ অমা খূৎয়েক পীনগদৌবনি। ‘বোন্দ’ অদু শেন্বা লোইরগা মশা-মশাগী ওরিজিনেল দোক্যুমেন্টশিং অদুগা লোয়ননা পীশিন্দুনা প্রোসেস হৌরে। ফর্ষ্ট য়রগী এন্যুএল ফি লাখ ২ অমসুং সেকেন্দ য়র অমসুং ফাইনেল য়রগী ওইনা লাখ ১.৫ পূন্না লাখ ৫নি। চহী-চহীগী অহুম্লক থোক্না থিগদৌবনি। কাংলোন্দুগী মতুংইন্না ফর্ষ্ট ইন্সটোলমেন্টকী লুপা লাখ ২গী বেঙ্ক দ্রাফ্ট অদু কক্লুরগা এনক্লোজ তৌশিল্লগা এদমিশন প্রোসেস পুরা লোইশিল্লকপদা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ৪.১৫ তারে। ‘বোন্দ’ শেন্বা লোইরবা মতুং পুং ১.৩০দা লঞ্চ চাথোকহৌরবনি। এদমিশন লোইরবনিনা ‘অগরটালাগী উজ্জায়ন্টা’ পেলেস’ য়েংহৌনবগীদমক ওটোরিক্সো অমদা ঐখোয় মরি তোংলদুনা লাক্লে। ঐখোয়গী লৈকায়দগী মোনিস সাপম কৌবা পাখঙ অমা হায়রিবা ‘অগরটালা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ’ অসিদা ‘রিসর্স সাইন্টিষ্ট বি’ ওইনা থবক তৌদুনা লৈরিবনি। মহাক্না মফমদুদা চহী অমগী মমাঙদগী কোলেজ অদুদা থবক তৌদুনা লৈরম্বনা মিং চনবগী থবক্তা চাওরবা মতেং অমা পাংবীরিবনি, লোয়ননা মহাক্কী রেসিদেন্সিএল ক্বার্টরদা ইচানুপী সপনাগী লগেজনচিংবা তঙ্খায় অমা থমহৌরিবনি। খৃষ্টমাস, ন্যু য়রনচিংবা মথং-মথং লৈবা লোয়ননা ইচানুপীনা ফর্ষ্ট কাউন্সেল্লিংদা য়াওরকপনিনা অপগ্রেদ তৌবগী চান্স অমসু লৈরিবনি। করিগুম্বা অপগ্রেদ তৌরক্লগদি দেল্লীদা অমুক হোংবগী চান্স অমা লৈরিবনি। অপগ্রেদতা পীরিবা কাঙলোনগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংনা ফার্ম ফিল-অপ তৌবা মতমদা পীখিবা ক্রাইটেরিয়াগী মতুংইন্না চান্সেসকী খুদোংচাবা ফংনগদৌবনি অমসুং করিগুম্বা অপগ্রেদ ফেসিলিটিদু ফংলবদি হান্না চনখ্রিবা এদমিশন ফী পূম্নমক হন্দোক্লগা অনৌবা মফম দেল্লীদা ওইনা মিং চনগদৌবনি। মরম অদুনা অপগ্রেদকী চান্স লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি ময়ূমদা থোক্লুবগী খুদোংচাবা পীবদগী খুদক্তা মহাক্কী টিকেট কক্লগা ঐখোয়গা পূন্না থোকমিন্নরক্লগনি।

হৌজিক পুং ৫.২০ তাবদং ঙাইরিবনা অসুম কোইনা থোরকপদা মতাই ওইরপ্না শীংজু-বোরানচিংবা হৌদুনা য়োল্লিবদু উরক্লে। মীতৈ নুপী অনীনা মফমসিদা করম্না শীংজু-বোরা য়োন্দুনা লৈরমগনি হায়বদি থাজরুদবনি। চংশিল্লগা মমিং হংলুবদা হঙ্গামপাল ফিজোল ইনবীদুনা রিতা কৌই অমসুং বোরা হৌরিবদুনা শরতশ্বাতি কৌই হায়রকখি। মখোয়না হৌহৌবা নাকুপ্পী মনাগী বোরাদু , নাকুপ্পী পাম্বী ২/৩না শাংনা-শাংনা হৌরম্বা বোরা অশাংবী অমসুং মাইরেন, আলু পানা শোইরগা হৌরম্লিবা বোরা মখলশিংনি। কোবি অমসুং মিমি শীংজুসু য়োল্লি। মীয়াম্না শীংজু-বোরানচিংবা চানহৌবদু তশেংনমক হৱাও-নুংঙাইবা ফাওজরিবনি। ইম্ফাল অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা ওইহৌরিবা ফীভমশিং খঙনীংনা হংজরকখি। ঐখোয়নসু মফমসিদা শেন্থোক লম্বী অমা মফম খঙনা লৈরিবসি য়াম্না ফরবনি, ঐখোয়গী লমদমদদি অসুম্না ঈংনা-চিক্না শেল তানবা ঙম্নদ্রবনি হায়না পাউদমজবসিদগী হেন্না করি অমুক অহেনবা পাউদম্লুগনি।



উজ্জায়ন্টা পেলেস (নুমিদাংগী শক্তম)

হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী জুলাই ৩০দা প্রোফেসর (ডাক্তর) মনিক শাহ ইকায়খুম্নজরবা চীফ মিনিষ্টর, ত্রিপুরা, শুশান্ত চৌধুরি, ইকায়খুম্নজরবা টুরিজম মিনিষ্টর, ত্রিপুরা অমসুং দিপক মজুমদার, ইকায়খুম্নজরবা মেয়র, আগরটালা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অহুম্না ‘ৱীকএন্দ টুরিষ্ট হব’ অসি শঙ্গাখিবনি। চহী অমা মখায় হায়রক্লে আগরটালাগী অকোয়বগী মফমশিংদা অনৌবা হব অসি অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খায়দোক্তুনা মফমসিগী ফজববু য়েংনবা লাক্নরিবা। অয়ূক, নুংথিল মতমদনা মফমসিগী ফজবগী তোপ তোপ্পা মহাও অমনি। ৱীকএন্দ টুরিষ্ট হব অসি উজ্জয়ন্টা পেলেস আগরটালা হায়নসু খঙনৈ। অসিগুম্লবা ফজরবা মফম অসি অয়ূক্কী পুং ১০.১৫দগী নুংথিল পুং ৫.১৫ ফাওবগী মনুংদা চঙদুনা য়েংলগা মীপূম খুদিংমক্না নুমিদাং পুং ৬ ফাওবগী মনুংদা য়েংবা লোইশিনগদৌবনি। মসিবুনা অহানবা সেসন হায়না খঙনৈ। মীপূম খুদিংমক্না থোক্লখ্রবা মতুং নুমিদাং পুং ৬ চপ চানা অনীশুবা সেসনগী চঙনবা হৌরগনি। সেসন অসিদসু (১) লাইট এন্দ সাউন্দ হায়দনা নুমিদাং পুং ৬তগী ৭ ফাওবগী অমা ওইগনি। (২) লাইট এন্দ লেজর হায়না পুং ৭তগী ৮ ফাওবগী লৈগনি। অনী অসি অহানবগী অমখক্তং য়েংননবগী টিকেট মমল মী অমগী লুপা ১৫০নি অমসুং অনীমক য়েংননবগীনা মী অমগী লুপা ২০০ ওইগদৌবনি। ঐখোয়গী ওইনদি মতম কুইনা লৌবা য়ারক্তবা ফীভম অমদগী অহানবগী পুং ৭তা লোইশিনগদৌবা লাইট এন্দ সাউন্দ খক্তা য়েংননবা টিকেট ওইনা কক্লগা য়েংলে। মরমদি ঐখোয়গী লগেজনচিংবা খরা ঐখোয়গী হোটেলদগী মোনিস সাপমগী লৈফমদা থম্লুরগা অগরটালা বজারদগী ঙা লৈরুরগা নুমিদাং চাক্লেন অমা চানবা মাঙজৌননা খন্নখ্রবনি। হয়েং (২৭/১১/২০২৪) গী ফ্লাইট টিকেট পায়দুনা লৈরবনি। পূম্নমকসি নংননবগীদমক মফমদুদা কুইথদনবা মাঙজৌননা খন্নখ্রবনি। মরম অদুনা ঐখোয়দা মতম য়াম্না ফংদবনা য়াম্না পূক্নিং হুগদৌবা উজ্জায়ন্টা পেলেস আগরটালাদা লেজর লাইট মখলশিংনা কাপশিল্লগা অঙকপা ফংনা ফজখ্রবা রাজমহল য়েংবগী অপেনবদু উদ্রবসু য়ারে হায়না মুন্না খন্নদুনা মফমদুদা মাঙজৌননা মতম য়াম্না লৌখিদবনি।

অহানবা কুম্হৈগীদমক উজ্জায়ন্টা পেলেস য়েংননবা চঙলকপগী লম্বীদা উরিবা ফোটো/ভিদিও কয়ামরুম কাপ্পা অমসুং নম্লদুনা অসুম-অসুম চঙশিল্লক্লিবনি। উজ্জায়ন্টা পেলেস অদুগী ফজখ্রবা শক্তম অদু তোঙান-তোঙানবা মচুশিংদা ঙাইহাক-ঙাইহাক লৈতনা মচু ওল্লক্লিবদুনা পূক্নিংগী অপেনবা ওইহল্লিবনি অমসুং ফোটো/ভিদিওসু পঙনমদা নম্লরিবনি। মফমশিং শিনবা থুংনা লৈরিবা অৱাংবা-অনেম্বা ঈশিং চাইবীগী ফজবা মরক্তা করম্না ফোটো/ভিদিও কাপ্নীংলোইদগে। লোয়ননা খূৎশেমগী ফজখ্রবা মীতমশিংদু উরুরগা মনাক্তা চঙশিল্লগা হেক্তমক ফোটো/ভিদিও কাপনীংবা হায়বসি পূম্নমক্না পাম্নরিবনি। তপ্না-তপ্না চঙশিল্লকপদগী কোর্নিকল হিষ্ট্রি ওফ অগরটালাগী নীংথিজরবা পিকচরাইজেসন য়েংননবা থল্লিবা চৌক্রিশিংদুদা মথং-মথং ফম্নরক্লে। মী তিনবা মপূং ফারক্লবদা কোর্নিকল হিষ্ট্রি অদু হিন্দি অমসুং ইংলিস মরোলদা দব্বিং তৌরদুনা পিকচরাইজেসন মথং-মথং তৌরকপদু ওন্থোক্লা পূক্নিং শুক্নৎপগী মশক্লি। রাজা বির বিক্রম, মনিক্য দাইনেষ্টিগী মমাঙ মমাঙদা লৈরম্লিবা নিংথৌরোল পূম্নমক্তগী মথং-মথং শমথরক্লিবনি। নিংথৌরোল পূম্নমক্না মখোয়গী মতমদা লান কয়ামরুম থেংনরকখিবদুগী লিক্লমদু কাইদনা শমথরক্লিবনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী ক্রোনিকল হিষ্ট্রি অমসুং ত্রিপুরাগী রাজমালা অনীগী ক্রোনিকল হিষ্ট্রি অদুমক অনৌবা মীরোলশিংদা য়াম্নমক কান্নখ্রবা মচাকশিংনি হায়না লৌদবা ঙমদে। পূম্নমকসি প্রোজেক্টরগী মতেংনা অঙৌবা মচুগী ৱাল পেন্টিংদা নৎত্রগা অঙৌবা স্ক্রিনদা কাপ্তুনা য়েংনরিবনি। ঐহাক্না মমাঙদা য়েংখিবা হায়দরবাদ অমসুং গ্বালিয়রগী সিনদিয়া ফোর্ট অদুদসু অঙৌবা মচুগী ৱাল পেন্টিংদা অদুমক প্রোজেক্টরদগী কাপ্তুনা লমদমশিংদুগী ক্রোনিকল হিষ্টরিদু য়েংলিবশিংদা নিংথিনা খঙহল্লিবা অদুগুম্না মণিপুরগী ওইনসু অসুম্না য়েংননবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না হোৎনবীফম থোকই হায়না থমজরগা ঙসিগী আর্টিকল ‘নুমিদাংদা আগরটালাগী উজ্জায়ন্টা পেলেস’ য়েংলুবগী ফজবা পূক্নিং হুরবা নুমিদাং পুংজা অমদা ফংলিবা নুংঙাইবা অমসুং ফংজরিবা কান্নখ্রবা লমদম অমগী ক্রোনিকল হিষ্টরিকেলদু হায়নীংঙাই লৈত্রবা মমল য়ামখ্রবা মচাক মখলশিংনি হায়না থমজরগা লোইশিঞ্জরগে। ●

# লৈঙাক শোয়রদি ৱাথোক য়াম্বা তাবনি

**- বি সী খুমন -**

নুংঙাইরে, সিদগী হেনববু কৈদগী কোৎলুনি। মণিপুরগী মচৎ চপ চানা উৎপা ঙল্লিবা লৈঙাক, সী এস ও, নুপী লূপ পূম্নমকপু থাগৎচরি। কুকিনা অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা মীতৈদা তকখায়রক্লিবা লানগী ৱাখল খন্নদনা কুকিনা মী অদুক হাৎখ্রে, য়ূম মৈ থাখ্রে হায়দুনা অমনা অমদা পঙতাইদা তাইনদুনা মীতৈ মীয়াম কাং-খোং চাইবমখৈ অঙম তান্নদুনা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু থমখ্রে, ইন্টরনেট থিংজিনখ্রে, মহৈশঙ পূম্নমক ছুটি থাদোকখ্রে। সি এস ওশিংনা মরোল অমা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং ছুটি থাদোকখ্রে। নুপী লূপ খরনা পেন্দে হায়দুনা টিদ্দিম লম্বী হেক্তা থিংজিল্লক্লি। অচুম্বনা কনানো-চুমদবনা কনানো খন্নদবীদা মানা-মানা নীংবদা কুশি-রাশি তৌনরিবসি মণিপুরগী মচৎ ঙাক্লি নৎত্রো। মসিদনি নুংঙাইরিবসি, হেন্না নুংঙাইরকখিনি।

লৈঙাক্না হায়, সেন্টরদা থমখিবা দিমান্দ অয়াম্বা সেন্টর লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোরক্লে, খোঙজং চঙশিনবশিং লেপ্পীরো। অদুনা ওইরম্বা তাই মতম চাই-চাদে খঙদনা এরোপ্লেনদা লান্মী ময়াম হোঞ্জিল্লক্লিবসি। কুকিনা মরোল অমা খূৎসু হনবা ঙমদ্রবা মীতৈশিংদা অফবা মখলগী নোংমৈ-বোম পঙকাপ্তা কাপশিল্লকই। সেন্টরনা মরোল অমা অহেনবা লান্মী পঙপৈদা পৈশিল্লক্লি। কুকিগা-সেন্টরগা পাউ হোদোক্নবরা খঙদে লানগী ফীভম পঙশেমদা শেন্মী। শোমদনা মীতৈশিংনা অমগা-অমগা পঙলাউদা লাউনদুনা - পুনশিন্নরগা লান লম্বা পাগে হায়বগী ৱাখল লৈত্রি। চুম্বুদি চুম্মী, মীতৈনা খল্লিবনা নূঙগা য়েরুমগা থোম্নবা থোক্কনি, সেন্টর লৈঙাক হান্না ৱাখল তাহন্দ্রবদি ইন্দিয়ানা বেক্কিংদা লেপ্লিবা কুকিশিংগা ফোংনা লান শোক্লবা য়াখিরোই। অপূনবগী শক্তি নৎত্রবদি য়েক্লবা লম্বানবা ঙল্লোই। অদুবু পুনশিন্নসি হায়বদা শাওবা মীতৈ য়াম্মনবনা পুনশিন্নবগী ৱাখল মচাই-মচাইনরি, লিংজেল মান্নদ্রি।

অৱা লান্দা লিংজেল তিন্নদ্রবা মীতৈশিং খা-রাই খঙদনা চেন্নদুনা চহী তরেৎ খুন্তাকখি কাউদ্রিবা মীতৈশিং পুৱারীগী খুদুং ইনগে খল্লিবরা খঙদে মীতৈশিং অতোপ্পা চহী তরেৎ খুন্তাকহন্নবা হোৎনবা মাল্লি। ইপা-ইপুগী থাঙ-থা-অরাম্বাইগী লান্না কুকি/ইন্দিয়াগী নোংমৈ-বোম-মিশাইলগা লম্বা পাবগী ৱাখল্লোন শাগৎলুনু-মতম্না অহোংবা পুরকপা খঙজিনবা মথৌ তাই খঙসি মীতৈশিং।

য়াম্না পঙনা প্রোক্সি ৱারগী মতমসিদা য়েক্লবা মায়কৈগী লানগী লাল্লোং শুক্নে নৈনদনা মীতৈশিংনা মশীং খঙদনা মীশি-মীনা থোক্লিবা লানসিবু চপ চানা পাউখুম পীগে হায়বগী অপূনবগী পাঙ্গল শাগৎপা ঙমদ্রিবসি অরোনবা এজেন্দা লৈরমগদবা মাল্লি। য়াম্না নাখৈ শেংনা হায়রবদা মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট শোকপা মীহাৎ-মীপূন কয়া কুকি টেররিষ্টশিংনা হেক চথরকপগা ৱাথোক্তু মায়কৈ থৈখিনবা কনাগুম্বা শকউদবা খরনা পোলিটিকেল দ্রামা হেক-হেক শান্নরিবসি খন্থনসি। লান পাক হেক লোইশিনগদবা মান্দে, মরম ময়াম অমা লৈরি। অদুবু মীতৈনা, মরু ওইনা লৈঙাক লুচিংবশিংনা খজিক্তংদা ওইরসু লমদমসিগী খন্না সেন্টর লৈঙাক্তা প্রেসর পীবা ঙমদবনা লানসিগী মায়ওন থৈবা ঙমখিদবনি হায়নরিবসি করিদা লাল্লি হায়দোইনো?

ষ্টেটসিগী ঙসি-ঙসিগী ওইরিবা মরাইবক লৈঙাক লুচিংবশিং য়াওনা মীচম মীয়ামসু করি ওইনি তম্বা ঙম্নদ্রি। মসিবু অচুম্বা লৈঙাক অমগী মচৎলা? শাওরকপদি য়াই অদুবু হায়দবা য়াদবদগী হায়রবনি - মুন্না খন্থরগা তৌফম থোকপা থৌদাং পাঙথোক্লবদি মণিপুরগী আশা অমত্তং তৌবা য়াবগী মতম লৈরি। নিংথৌনা লৈবাক মীয়ামগীদমক পাম্বোম তিংবীদ্রবদি লৈবাক্তু করি ওইবা হৌনৈ।

হৌজিক্তি পেন্নদবনা য়াম্মনখিবনা মায়কৈ খুদিংমক্তগী খোল্লাও কয়ানা মণিপুর তংদু লৈতাদ্রে। কুকি লান কাউনখ্রে, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী প্রোক্সি ৱার নাচুংহন্দ্রে। লানগী মিংদা দে-টুদেগী তঙাইফদ্রবা পোৎশিংগী মমল অতিয়া য়ৌখ্রে । পূম্নমকসি প্রোব্লেম নত্তে হায়বা য়ারোই। মহৈরোয়শিংগী ফাইনেল এগজাম নকশিল্লক্লবনি, স্কুল ছুটি থাদোকখিবনা অচৌবা প্রোব্লেম ওইরমগনি। ইন্টরনেট থিংখিবসিনা প্রোব্লেম ময়াম অমা মায়োক্লুহল্লি হায়বসি খন্থবীয়ু। থোকহন্দবসু য়াবা বন্দ, ব্লোকেদনা মীয়ামগী পূন্সিদা পীরিবা চৈথেং খঙগদবনি।

ইশাগী ওইজবা থাদোক্লিংদবশিংনা লুচিংবা শানি খনবীগনু। হৈতনা অহৈ-অশিং শাবনা তুংগী মীরোলদা অকনবা শাফু পীরক্কনি হায়বসিসু খঙজিনবীয়ু। খ্বাইদগী মরু ওইবদি মতিক চাদবা পোলিটিকেল পার্টি ময়াম্না ফৎমন্দবনা মণিপুর তপ্না-তপ্না লৈখা তারক্লিবনি হায়বা ৱাফমসি থমজগে। ●

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৩৭৬)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

অঙোম চনু খমবা ফাবী। সনা পিবুকনুংদগী চাদা নাওদারমবদি।

**মৈদিংঙু তেলহৈবা**

নবুথৌ মৈদিংঙু তেলহৈবা মিংথোল মিংকৌয়ে। মৈদিংঙু মমাননবা লোইনবশিং থোইনা তেলহৈবা। মমাননবা লোইনবা তেলদোং কোকশা তারে লি। চিলবা পাখুল লি। মেনাং তলবা শাবী শাবু অমগী। শাউনা খাললৌলি। য়েঙতানা তেলকাপ হৈবা চেকচিল লি। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯳꯷꯶)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ꯫)

ꯑꯉꯣꯝ ꯆꯅꯨ ꯈꯝꯕꯥ ꯐꯥꯕꯤ꯫ ꯁꯅꯥ ꯄꯤꯕꯨꯛꯅꯨꯡꯗꯒꯤ ꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯎꯗꯥꯔꯃꯕꯗꯤ꯫

ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯦꯂꯍꯩꯕꯥ

ꯅꯕꯨꯊꯧ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯦꯂꯍꯩꯕꯥ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯃꯃꯥꯅꯅꯕꯥ ꯂꯣꯏꯅꯕꯁꯤꯡ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯇꯦꯂꯍꯩꯕꯥ꯫ ꯃꯃꯥꯅꯅꯕꯥ ꯂꯣꯏꯅꯕꯥ ꯇꯦꯂꯗꯣꯡ ꯀꯣꯀꯁꯥ ꯇꯥꯔꯦ ꯂꯤ꯫ ꯆꯤꯂꯕꯥ ꯄꯥꯈꯨꯜ ꯂꯤ꯫ ꯃꯦꯅꯥꯡ ꯇꯂꯕꯥ ꯁꯥꯕꯤ ꯁꯥꯕꯨ ꯑꯃꯒꯤ꯫ ꯁꯥꯎꯅꯥ ꯈꯥꯂꯂꯧꯂꯤ꯫ ꯌꯦꯡꯉꯇꯥꯅꯥ ꯇꯦꯂꯀꯥꯞ ꯍꯩꯕꯥ ꯆꯦꯀꯆꯤꯜ ꯂꯤ꯫ ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১) **“মন্ত্রি জগোয় শারখিনি”** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
২) **“অপঙগী মিংশেল”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) "UNTIL THIS NIGHT ENDS" হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে?
৪) **“অতোপ্পা মিংশেল”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।
৫) **‘মমানা মচা ফূববু”** হায়রিবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।